**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-07.2024)**

**কাং (এল)ঃ** মনিপুরদা মহৌশাগী চৎনবীগা লোয়ননা রথ যাত্রা কাং চিংবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা অসিগী য়েংলগা কাং চিংবগী থৌরম মহৌশাগুম পাক শন্না পাঙথোক্লরোই হায়রি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শাশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদসু কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক কাং শেম শাবগী থবক লোয়রে।

ইস্কোন মন্দিরগী ওইনদি কাংগী থৌরম মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি। নিংথৌখোংদা লৈবা গোপিনাথ মন্দিরগী কাং চিংবগী থৌরমসু পাঙথোক্লরোই। অদুমওইনমক, লাইগী থৌরমদি মহৌশাগুম পাঙথোক্কনি হায়রি। কাং কুম্হৈগী মাংওইননা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা লাই খুরুমখি।

রথ যাত্রাগা মরী লৈননা লুচিংবা কয়ানা রাজ্য অসিগী মীয়াম, মরুওইনা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী থৌরমনা লাকপদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়-কাং কুম্হৈনা লাকপদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা শান্তি, চাউখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-মনিপুরি কেলেন্দরগী ইঙেন থাগী নিনি চনবা নুমিৎতা কাং কুম্হৈ নুমিৎ ১০ নি চুপা পাঙথোক্লি। হিন্দুশিংনা ভগবান জগনাথনা কাং তোংদুনা চৎপা উবদা মীয়ামগী

অৱাবা কোকৈ। ভক্তা কয়ামরুমনা কাংগী থৌরি শোক্তুনা অমদি কাং অদুবু চিংবনা ভগবান জগনাথনা মখোয়দা থৌজাল পী হায়না থাজনৈ। কাং কুম্মৈনা লাকপদা ভগবান জগনাথনা লমদম অসিগী মীয়ামদা নুংঙাই য়াইফবা পীবিরম্বগা লোয়ননা অশেংববু মায়োকবা ঙমবা অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইহন্নবা থৌনিজরসি।

ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনসু মীয়ামনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পাউজেল পীরদুনা হায়-অসিগুম্বা নুংঙাইবা নুমিৎ অসিদা ভগবান জগনাথকী কাং চিংবা থৌরম অসিদা মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইবা অমসুং কৎথোকপগী থৌনা অদুদা চৎনবা হোৎনরসি। কুম্মৈ অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা শান্তি, চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেল অমদা হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হায়-ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী খোঙচৎ অসিনা মনিপুরগী মীয়ামদা অমত্তা ওইনা অমসুং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু পুরকপা ওইরসনু।

**রাহুল (এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, নোংমগী খোঙচৎতা হয়েং ইম্ফালদা থুংলগনি। মহাক দিল্লিদগী অসামগী সিলচর ইয়ারপোর্ট ফাওবা লাক্লবা মতুং জিরিবামদা চৎতুনা ইরাংনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি হায়রি। রাজ্য অসিদা মমাং চহিগী মে অহুমদগী থোরকখিবা কাংলুপ ইরাং অসিগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধিনা রাজ্য অসিদা লাকপা হন্দক্কী অসি থারগা অহুলক শুবনি অমদি মহাকা সংসদতা বিরোধি দলগী লুচিংবা ওইরবা মতুং রাজ্য অসিদা অহানবা খোঙচৎনি।

শ্রী রাহুল গান্ধিনা সিলচর ইয়ারপোর্টতগী অমুক ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইয়ারপোর্টতা থুংলবা মতুং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা মফমদুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নগনি। চুরাচান্দপুর জিলাদগী শ্রী রাহুল গান্ধিনা লম্বীদা মোইরাং তমা লাক্কনি অমদি মোইরাংদা হাংলিবা রিলিফ

কেম্পশিংদা চংলমগনি হায়রি।

হয়েং অথেংবদা রাহুল গান্ধিনা মোইরাংদগী ইম্ফালদা লাক্কবা মতুং রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেগা উন্নগনি হায়রি। রাহুল গান্ধিনা সিলচরদগী ইম্ফালোমদা লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মনিপুর বিধান সভাগী বিরোধি লুচিংবা-ওক্রম ইবোবী অমসুং মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা লুচিংবা কংগ্রেসকী মীহুৎ কাংবু সিলচরদা থুংখ্রে। মখোয়না সিলচর ইয়ারপোর্টতা রাহুল গান্ধিবু ওক্কনি হায়রি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা জিরিবাম খোঙচৎকী মাংওইননা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। মফম কয়াদা পুলিস পেকেড হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথরি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা জিলা অসিদা হৌজিক ফাওবদা রিলিফ কেম্প তরুক হাংদ্না মীওই কয়া চংজফম লৌদুনা লৈরি। অদুমওইনমক, কংগ্রেস লুচিংবা অসিনা রিলিফ কেম্প তরুকমক্তা লৈরিবা মীওই পুমমক উন্নবগী খুদোংচাবা ফংগদ্রা হায়বদুদি হৌজিমক্কী ওইনা হায়বা ঙমদ্রি।

মরক অসিদা, এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-জিরিবামনা থোকপা চেরোল অমনাকংগ্রেস অমসুং লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধি জিলা অসিদা লাক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা দ্রোন অমদি বেল্লুন শিজিন্নদুনা নোংথক্তগী ফোটো নৎত্রগা ভিদিওগ্রাফি তৌবা য়ারোই হায়রি। রাহুল গান্ধিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ভাত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা-২০২৩ গী মতুং ইন্না জিরিবাম জিলা পুম্ববু নো ফ্লাই জোননি হায়না লাউথোক্লে।

**লীলা (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী ইং ২০২৪-২০২৮ ফাওবা থৌ পুগদবশিং খনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

নৌনা খল্লবা থৌ পুবশিংগী মনুংদা-হৱাইবম বুধি সিংহনা প্রসিদেন্ট অদুগা

য়ুমাম নিলাচন্দ্র সিংহ সেক্রেটরি ওইনা খল্লে। ঙসিগী মীফম অদুদা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্তর অমদি মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী হান্নগী সেক্রেটরি ওইরম্বতা নত্তনা শঙলেন অসিগী কন্সত্রক্সন কমিতিগী কনভেন্নর ওইরম্বা-ডা: কে.ঐচ. সোরোজিনি দেবী লৈখিদবগী অৱাবসু ফোংদোকখি।

**দাইনা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা শজিৱা জেল মনাক্তা লাঞ্জেন্নদুনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়ামগীদমক ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনানা মিণি লাইব্রেরী অমা হাংদোকখ্রে।

লাইব্রেরী অসি ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক শেমগৎপনি হায়রি। লাইব্রেরী অসি গ্লোবেল সেপরস ইম্ফাল হফনা মল্টি প্লায়িং স্মাইলস হায়বা প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা হাংদোকপনি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা অঙাংশিংদা লাইব্রেরীগী খুদোংচাবা পীনবা পান্দমদা ঙসিগী লাইব্রেরী অসি হাংদোকপনি হায়রি। থৌরমদুদা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তর-আমস্ত্রোং পামে শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনানা হায়-হাংদোক্লিবা মিণি লাইব্রেরী অসিনা অঙাংশিংনা পানিংবা লাইরিকশিং অদু ফংহনদুনা মখোয়গী মহৈগী লমদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

**ঈচাও (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হন্দক নোং তোইনা চুবদগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকখ্রবা মতুং মফম কয়াদা হৌজিকসু মীয়ামনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি। ঈশিং ঈচাও মতুংদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং শন্দোরক্কদ্রা হায়না মীয়ামনা মীপায়দবসু নত্তে। অদুমওইনমক, সরকারনালায়না তিন্নদগী ঙাকথোকবা থৌরাং কয়া লেপ্লা লৈতনা হোৎনরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী হত্তা মিনুথোং, দ্যুলালেন্দ অমদি অতৈ মফমশিংদা ক্লবশিংগা লোয়ননা কাং হিদাক কাপথোকপগী থবক হৌরে। কাংদগী শন্দোরকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা পান্দমদা আশা ৱাকরশিংবু দোমেষ্টিক ব্রিদিং চেক্কর ওইনা মথৌ তৌহল্লি। সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিগী মতাংদা ষ্টেট মেলারিয়া ওফিসার-ডা: সলাম প্রিয়োকুমারনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-ঈচাও মতুংদা তুংদুনা লৈহৌবা ঈশিংশিংদা কাং মচা পোক্তুনা কাংগী মশিং হেনগৎলকপগী ওইথোকপা চাউনা লৈ। মসিনা কাংদগী শন্দোকপা লায়না- জপানিস ইনসেফেলাইটিজ, দেঙ্গি অমসুং মেলারিয়ানচিংবা লায়নাশিং শন্দোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈ। মরম অদুনা মসিদগী ঙাকথোকপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

**ক্রোস (এল) ঃ** ঈশিং ঈচাও নংবদগী থক-চানবা ঈশিং ৱানরবা মতম অসিদা অথুবগী ওইনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা বাসিংখোং পান্থোইবীদা এক্কা প্লজ ৱাটর ফিল্টর শিজিন্নদুনা অফবা ঈশিং মীয়ামদা ফংহনখ্রে।

**জিরিবাম(এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং বোদি ইম্ফালনা হায়রি-জিরিবাম জিলাদা লৈরিবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টর অসি লায়না কয়া লায়েংবগী খুদোংচাদবা ফংদবগা লোয়ননা চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাংগী ইমপেন্নেল তৌবা হোস্পিতাল অমত্তা মনাক নকপদা লৈতবনা জিরি মায়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে।

লুপ অসিগী মচিন চৎপা মীশক-বোন খুরাইনা হায়-জিরি অমদি অসামগী মফম কয়াদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা সি.এম.ঐচ.টি. কার্ডকী খুদোংচাদবা ফংদবনা খুদোংচাদবা মায়োকরিবা অসি মরি লৈনবশিংনা কছার অমসুং সিলচরদা লৈরিবা হোস্পিতালশিংগা এমপেনেল তৌনবা শিনবীয়ু হায়রি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগা মরী লৈননা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদগী লাঞ্জেন্নরক্কুনা ক্বাক্তাগী রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরকখিবা মীওই অমা হন্দক্তা রিলিফ কেম্প অদুদা থৌরি য়ান দুনা শিরম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এ.আই.সি.সিগী মনিপুর ইন-চার্জ গীরিজ চোদানকর অমদি এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট-ভিক্তর কৈশিংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মফম অদুদা চৎতুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নখ্রে। মীহুৎ কাংবু অসিনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়নননা অঙম্বা তেংবাংসু পীখি।

**পরিক্ষা (এল)ঃ** রাজ্যগী কনট্রোল্লর ওফ টেকিকেল এদুকেসননা শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা দিপ্লোমা ইন ফারমাসি তমবা পরিক্ষাদা ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা গভরমেন্ট পোলিটেকিক সেন্টরদা তাবা মহৈরোই অনিনা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নরম্বা থেংনবদগী মখোয়গী মথক্তা এফ.আই.আর. অমা লৌখৎতুনা লমফেল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

পরিক্ষা অসিগী নিতি নিয়ম অমদি কেন্দিদেট খনবদা অচুম্বা তৌনবগীদমক ঙসি পাঙথোকখিবা সেলেক্সন টেষ্ট অদু চৎনদ্রে হায়না কনট্রোল্লর টেকিকেল এদুকেসনগী চেরোল অমনা হায়রি। সেলেক্সন টেষ্ট অমুক হন্না লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

**উ (এল)ঃ** মহৌশাগী খুল অমসুং প্রকিতিবু য়োকখৎতুনা থমবগী পান্দমদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুন্দ্রাকপম বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইতোনদা নোংমাইজিং খুদিংগী উ চারা থাবগী অনিরকশুবগী ওইনা ঙসি পাঙথোকখ্রে। পুন্না হিংমিন্নবা ৱাইতোননা শিনদুনা ঙসি অয়ুক ৱাইতোন মখা লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবগী অকোইবা শেংদোকপগী লোয়নননা উ চারা কয়া থাখি।

**এৱাৰ্ড (এল)ঃ** কুমশি চহিগী ওইনা জাতি থাক্তা পীবা বাবুরে তরামনি মেমোরিএল নেসনেল এৱাৰ্ড-২০২৪ গী ওইনা মনিপুরগী শকাইরবা ক্রিটিক অমসুং ত্রান্সলেটর-লোংজম জয়চন্দ্রদা পীরগনি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম মথং থাগী ২৫ দা অগরতালাদা পাঙথোক্কনি। মনা অসিদা শেল ওইনা ওইনা লুপা লিশিং তরা, সোল অমা, মোমেন্টো অমদি শক্তাক চে য়াওরি।

**করাতে (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনি চঙ্খরকপা ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই করাতে টুর্নামেন্ট হয়েং খুম্মন লম্পাক ইম্ফালগী সাই এস.টি.সি. ইন্দোর হোলদা লোয়শিল্লগনি।

স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরনা শিনবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইম্ফাল, শিল্লোং, জবলপুর অমসুং নহারলগুনগী সাই এস.টি.সিগী শান্নরোই অমসুং ওফিসিএল ৭৯ না অথোই অহেন চাংদমরি। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা সাই এস.টি.সি. নহারলগুননা সনাগী তকমান ৬, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী অহুম ফংখি। শিল্লোংনা সনাগী মরি, লুপাগী অনি অমসুং শেঞ্জেংগী অমা, জবলপুরনা সনাগী অহুম, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী অমা অমসুং ইম্ফাল সেন্টরনা সনাগী অমা, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংখি।

**অসামঃ** অসামদা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম খরা ফগৎলে। অদুমওইনমক, মেট দিপার্টমেন্টনা লৱার অসাম অমসুং বরাক তম্পাক্কী জিলাশিংদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি।

হন্দক চহিগী ওইনা অনিরক ঈশিং ঈচাও থোক্লিবা অসিদা মীওই লাখ ২৪ হেন্না শোকহল্লে। হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ৫৩ হেন্না রিলিফ কেম্প ৩০০ দা চংজফম লৌদুনা লৈরি। নেসনেল অমসুং ষ্টেট দিজাস্তর রেস্পোন্স ফোর্স

অমদি অতৈ এজেন্সি কয়ামরুমনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-অসাম সরকারনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মরী লৈনবা বিভাগশিংনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা মীওইশিংদা তেংবাং পীরি।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়-হন্দক্কী ঈচাও অসিনা মীওই কয়াগী ইমুং মাঙ তাকহন্দুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। পালস বারিদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা মুখ্য মন্ত্রিনা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা মফম অদুদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়ামগা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা ঈচাও অসিনা য়ুম-কৈ মাং তাকখ্রবা ইমুংশিংদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা অনৌবা য়ুমশিং শারগনি হায়খি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎলিবা জগনাথ, বালাভদ্রা, সুভাদ্র অমসুং সুরদরসনগী রথ যাত্রা উরিষ্যাগী পুরিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, কাং চিংবা য়াওননবা পুরিদা থুংখিবগা লোয়ননা কাং চিংবগী থৌরমদা শরুক য়াখি। কাং চিংগদৌরিবা মরুওইবা লন্বী গ্রান্দ ত্রঙ্ক রোড ভক্তো চা কয়ানা চিংল্লক্লিবা কাং অহুমদা তোংদুনা লাক্লিবা ঈশ্বরশিংবু খুরুম বা চিক চাইনবা ঙমদনা ইন্নখি। কাং নুংথিল পুং মঙাদগী চিংবা হৌখি।

অকাশবানি উরিষ্যা পাউমীনা হায়-ভগবান জগনাথ, ভগবান ভলাভদ্রা, দেবী সুভদ্রা অমসুং গভবান সুরদরসনগী কাং অহুম ১২ শুবা শত্বাদিদা শাখিবা জগনাথ মন্দিরদগী লেংথোরকপা মতুং কাং চিংবা হৌখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপদি-জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনচিংবা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পারক্লি।

অমরোমদা গুজরাতকী জগনাথ টেম্পলদা ১৪৭ শুবা ভবান জগনাথকী রথ যাত্রা থৌরম পাঙথোকখি। ঙসি অয়ুক অহমেদবাদকী জমালপুরদা লৈবা

ভগবান জগনাথ টেম্পলগী মঙ্গল আর্তিদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্ শরুক য়াখি। মহাক নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা হৌজিক গুজরাত্তা লৈরি।